**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-03-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদগী মীওই অমা মাংখিবা অদু ফংননবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক কন্না চথুরি।

২) ঙসি ওর্দিনান্স ফেক্তরি ডে নি। লৈবাক্কী মফম কয়াদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকরি।

**অমসুং**

৩) ভারত অমসুং নিডজলেন্দনা ঙাকশেল অমদি লল্লোন ইতিক্কী লমদা হেন্না তেংবাং পীননবা য়ানচে ৫ সহি তৌনখ্রে।

**পুলিস(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদগী চহী ২০ লোম শুরবা লূৱাংথেম মুকেশ কৌবা মীওই অমা মাংখিবা অদু ফংননবা পুলিস অমসুং অতৈ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মীওই অসি থা অসিগী ১৬ তা মাংখ্রে হায়বগী ৱাকৎ চেরোল অমা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিদা পীখৎলক্কবা মতুংদা মহাকপু ফংননবা থিবা হুম্গী থবক চথুদুনা লাক্লি।

অমরোমদা, লাকখিবা নোংমৈ অমদি আইননা য়াদবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎনবা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী

থবকসু লেপ্তুনা চথুরি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা দোনবোস্কো ত্রেনিং সেন্তরগী মনাক্তা লৈবা ঙারিয়ান চীংথক্তগী তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১, মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল ২, থর্তি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ ৪, রেদিও সেট ১, ইন্সাসকী মেগজিন ২, এস.এল.আরগী মেগজিন ১, এন্তি রাইওট সেল ৩, বুল্লেট প্রুফ হেলমেট ২, বুল্লেট প্রুফ জেকেট ২ অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরুশিং ফাগৎলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোঙ খা কৈরুংবম লৈকাইদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী নাইন এম এম পিষ্টোল ১, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ৯, ফংলে হায়রি। অতোপ্পা লালহৌলুপ অসিগী মীওই অমসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাউরৈবী ময়াই লৈকাইদগী ঙরাং মণিপুর পুলিসনা ফারে। মহাক মীয়াম, সরকারগী কর্মচারিশিং অমসুং দুকান্দারশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

শামুরৌ নাওরেম চপ্রৌ মখা লৈকাইদগীস্ প্রিপাক-য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমা ঙরাং পুলিসনা ফারে। মহাকসু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন থ্রিগী মেরিকোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসন মনাক্তগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফারে হায়রি। থা অসিগী ১৬ তনা তেংনৌপল জিলাগী কুলজাং খূলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমা ব্রাউন সুগর য়াওবা সাপোন কেপ ১৩৭ কা কোন্ননা ফারে হায়রি।

**ডে(এল)ঃ** ঙসি ওর্দিনান্স ফেক্তরি ডে নি। লৈবাক অসিগী ইহান হানবা ওর্দিনান্স ফেক্তরি, কোলকতাগী কোসিপুরদা কুমজা ১৮০১ দা লিংখৎখি। ওর্দিনান্স ফেক্তরিনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা পীরিবা তেংবাংশিংবু শিংথাদুনা পালন থৌরম অসি চহী খুদিংগী পাঙথোক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ

ডা.ৰাই.প্রেমানন্দনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ওর্দিনান্স ফেক্তরিশিংদা নোংমৈ য়াওনা অপিকপা খূৎশু খূৎলাইশিংদগী হৌরগা তেঙ্কনচিংবা অচৌবা ঙাকশেলগী লমদা শিজিন্নবা খূৎশু খূৎলাই কয়া শারি। পালন থৌরম অসি পাঙথোকপদা ঙাকশেলগী খূৎশু খূৎলাইশিং শাবদা শিজিন্নবা অনৌবা মখলগী টেকোলোজি অমসুং অনৌবা ইন্নোভেসন কয়া উত্তুনা লম অসিদা খুমাং চাউশিল্লক্লিবা কয়া মীয়ামদা খঙহল্লি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিবু ঙাকশেনবদা থৱাই কথোকখ্রবা থৌনা ফরবা লান্মীশিংগী মফমদসু নুমিৎ অসিদা ইকাই খুমবা উৎলি। ডা.প্রেমানন্দনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--প্রেমানন্দ**

**সিসিপুর(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিন্দুনা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা মার ইনপুই অমসুং জোমি কাউন্সিলগী লুচিংবশিং য়াওবা মীফমনা চুরাচান্দপুর তাউনদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্দুনা শান্তি পুরকবা য়ানখ্রে।

মার ইনপুইগী প্রসিদেন্ট অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং জোমি কাউন্সিলগী চেয়রমেন অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা য়ানচেরোল অমদা হায়-থা অসিগী ১৬ দা জেনহাং লমকা কৌবা মীওই ফুরকখিবগী ৰাহৌদগী মফম অদুদা চাউনা উংখৎনবা থোক্তুনা ওইরক্লিবা ফীভম অদু নাকল অনিমকা পুকিং ফাথনা শান্তি হঞ্জিল্লকবা মীয়ামদা আপিল তৌরি। থৌদোক অদু লোকেল কস্তমরি লোগী মতুং ইন্না শংতাইননবসু নাকল অনিনা য়ানখি। চুরাচান্দপুরদা সটদাউনগী খোঙজং চংশিনবা য়াওনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকাইবা থোকহনবা য়াবা থৌওংশিং খুদক্তগী হন্দোকবসু মার ইনপুই অমসুং জোমি কাউন্সিলদা য়ানখি।

মার ষ্টুদেন্টস এসোসিএসননসু চুরাচান্দপুরদা সটদাউনগী খোঙজং চংশিল্লন্বা অদু হন্দোক্লে হায়রি। এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল

অমদা, মীয়ামা মফম অদুদা শান্তি হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীনবা আপিল তৌরি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর মামোনি দোলেনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং দি.সি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা সেনাপতিগী তুরেলশিং লূ-নান্না থমবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা, জিলা অসিদা চেল্লিবা তুরেলশিং মোৎশিন্দনা, লূনা নান্না থমবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল, কারোং সেনাপতি তাউন কম্মিতি অমসুং মীয়ামগীদমক থবক তৌরিবা লুপশিংনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবা দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা আপিল তৌখি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবা থৌরমশিং পাক শন্না পায়খৎনবসু দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা খঙহনখি।

**ত্রেদ ঃ** ভারত অমসুং নিউজলেন্দনা ঙাকশেল অমসুং লল্লোন ইতিক্কী লমদা হেন্না তেংবাং পীননবা য়ানচে ৫ সহি তৌনখ্রে। নিউ দেল্লিদা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং নিউজলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লক্সনগা ৱারি শান্নরবা মতুংদা য়ানচেশিং অদু সহি তৌনখিবনি। য়ানচেশিং অদুগী মনুংদা ঙাকশেল, মহৈ মশিং তম্বা, শান্ন-খোৎনবা, হৈ-রা থাবা অমসুং উমং য়োকখত্তুনা থম্বগী মতাংদা অমগা অমগা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিং য়াওরি। তুংদা, লুচিংবা অনিনা পুন্না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়-লৈবাক অনিনা ঙাকশেল অমসুং সেক্যুরিতিগী লমদা অহেনবা তেংবাং পীননবা য়ানরে। লল্লোন ইতিক তৌবা অমসুং শেল থাবগী লমদা হেন্না লাইথোকহন্নবা অয়েৎ অপন য়াওদনা লল্লোন ইতিক তৌননবা ৱাফমশিংসু লৈবাক অনিনা য়ানরে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--মোদি**

**মাওইষ্টঃ** ছতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা মাওইষ্টকী মীওই ১৯ খূৎলাই থাদোক্তুনা সেক্যুরিতি ফোর্সেসতা চংজরকখ্রে। জিলা অদুগী এস.পি জিতেন্দ্র কুমার য়াদবনা হায়-ঙরাং চংজরকখিবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা হান্না ফাননবা থিরিবা মরুওইবা মীওই কয়া য়াওরি। মহাকা হায়-লৈঙাকা মখোয়বু খুন্দা লৈতাহন্নবা পায়খৎলিবা থৌশিলগী মখাদা লৈঙাক্তা চংজরকপা মাওইষ্টকী মীওই অমমদা শেল ওইনা লূপা লিশিং ২৫গী মতেং পীরি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা কোন্দাগাউ জিলাদা মাওইষ্ট অমসু লৈঙাক্তা চংজরকখ্রে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সেসনা দান্তেৱালাদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা কিলোগ্রাম ৫ রোম লুন্বা আই.ঈ.দি অমসু ফংলে হায়রি।

**কবাদিঃ** ইংলনদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরমদগী হৌখিবা কবাদি ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ দা ভারতকী নুপা টিমনা ইটলিবু পাঞ্জল ৬৪-২২ দা মাইথিবা পীখ্রে। ঙরাং অহৌবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেটচ অমদনা ইংলনগী নুপাগী টিমনা হঙ্গেরিবু পাঞ্জল ১০১-২৫ দা থোইখি। এসিয়া মহাদেশকী ৱাংমদা অহানবা ওইনা য়ুনাইতেদ কিংদমগী তোঙান তোঙানবা মফম ৪ দা কবাদি ৱার্ল্ড কপ অসি নুমিৎ ৭ নি চুপা মেটচ ৬০ শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়াওশঙ কুম্মৈগী ছুতি ওইখিবনা ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচেশিং ঙসিসু ফোঙনদ্রি। অদুম ওইনমক, তামেংলোংদা ফোঙবা পাউচে-গানফিউ মেলদা-নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মীফম জিলা অসিদা পাঙথোকখিবগী পাউনা-অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাংগী ত্রাইয়েল গুৱাহাতিদা চথরি হায়না সুপ্রিম

কোর্টনা থমখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী-অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

নাগালেন্দ বিধান সভানা শান্গী ৱারি শান্নবদা লুচিংগদবনি হায়না রাইজিং পিপলস পার্তি(আর.পি.পি)না ফোঙদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**